Hueiyen Lanpao — হুইয়েন লানপাউ

Vol. 42, Issue No.135 | লৈবাকপোকপা, ইঙেন ২৫ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, Tuesday, August 07, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

যুনিভর্সিটি খুদক্তা হাংউ, মহৈরোয়শিং লৈতানা লাইরিক তমহল্লু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা যুনিভর্সিটিগী হেক মায়োক্লবদা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফম্বা



লামায় ১

ককচীং ৱাইরিদা লৈবা কোঙ্গোই কম্যুনিটি হোল শঙ্গাদুনা মীয়ামদা শীন্নবা থৌরম হৌদোকপগী মৈরা মিনিষ্টর বিস্বজিৎনা চুখৎপগী শক্তম



লামায় ৩

ঈং-তপ্পগী পাউজেল পুরদুনা ইন্দিয়া শীনবা থুংনা সাইকল তোংদুনা চৎলিবা এল রঞ্জিৎ কুমারনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন উনবগী শক্তম



ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা মহৈরোয়শিংনা মণিপুর যুনিভর্সিটি কল্লু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা চৎখিবা ৱাকৎ খোঙচৎকী শক্তম অমা



লামায় ১

# পুলিসনা ঙাক্লগা মণিপুর যুনিভর্সিটি কল্লু হায়বা খোঙচৎ চৎখ্রে

## পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবশিং, মহৈরোয়শিং অমসুং মণিপুর যুনিভর্সিটিগী কম্যুনিটিনা পেন্দবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (ঐচ এন এস): পামদবা থৌদোক থোরকপা থিংনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মফম পুম্নমক্তা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪ গী মখাদা অথিংবা থমদুনা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং মহৈরোয়শিংগী ৱাকৎ খোঙচৎ চৎপা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখ্রবা তুংদা ঙসি তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা পুলিসনা ঙাক শেল্লগা যুনিভর্সিটি কল্লু হায়বা খোল্লাউগী মখাদা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎহনখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট ওঠোরিটিগী থৌওং অদুবু পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবশিং, মহৈরোয় লূপশিং, মুসা, মুটা অমসুং মুসুগী থৌমীশিংনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে। পুলিসনা ঙাক শেল্লগা চৎখিবা রেল্লিশিং অদু কনানা শীনবনো অমদি মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট ওঠোরিটিনা কমদৌনা অয়াবা পীখিবনো হায়বা শেংদোরক্লবা দিমান্দ তৌনরক্লি।

মতিক ময়াই লৈবা কনাগুম্বা খরনা মাংজৌননা থৌরাং তৌরগা শীনবা ৱাকৎ খোঙচৎ অমগুম চপ মান্নবা মতম অমদা চীং অমসুং তমগী মফম অয়াম্বদা ৱাকৎ খোঙচৎশিং চৎনখি, ৱাকৎ মীফমশিং ফম্নখি।

ৱাকৎ খোঙচৎ অমদি ৱাকৎ মীফমশিং অদুদা মণিপুর যুনিভর্সিটি খুদক্তা হাংদোকউ, ঐখোয় শান্তি পাম্মী, যুনিভর্সিটিদা পোলিটিক্স তৌগনু, মহৈরোয়শিংগী পুন্সি কনসি, মহৈরোয়শিংগী খন্দবা ওজাশিং যুনিভর্সিটিদগী লৌথোকউ, থিকা তৌবা ওজাশিং যুনিভর্সিটিদা লৈহনগনু, মহৈরোয় শারগা যুনিভর্সিটিদা লৈহনগনু, যুনিভর্সিটিগী এঞ্জিনিয়ারিং সেল লৌথোকউ, মরাল লৈরম্লবদি ভি সী চৈরাক পীয়ু, লৈঙাক্লা অথুবদা য়ানবা পুরকউ, একাদেমীক এটমোস্ফিয়ারদা হঞ্জিন-হল্লু, মহৈ তম্ফমশঙশিংদা পোলিটিক্স তৌগনু, ঐখোয় দিভলপমেন্ট পাম্মী, ভি সী ইন-চার্জ থবক তৌহল্লু অমদি ৱি হেদ বন্দ এন্দ ব্লোকেদ হায়না থাবা প্লে কার্দশিং শীজিন্নখি।

মণিপুর যুনিভর্সিটিগী ভি সী লৌথোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা যুনিভর্সিটিগী কেম্পসতা খোঙজং চঙশিল্লিবশিং অদুগী মমাংদা পুলিসকী অথিংবা অমত্তা য়াওদনা মীয়ামগী ৱাকৎ খোঙচৎ অদু চৎহনখি। তাঞ্জা অদুদা যুনিভর্সিটি কম্যুনিটিগী মীওইশিংসু ভি সী লৌথোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা যুনিভর্সিটিগী গেটকী মমাংদা প্রোটেষ্ট তৌরকখি। যুনিভর্সিটিগী গেটতা প্রোটেষ্ট তৌরিবা মুসু, মুটা অমসুং মুসাগী লুচিংবশিং অমসুং লম্বীদা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎলিবা কাঙবুগী মরক্তা অকনবা ৱাফম ফোঙদোক্লবা হৌরকখি। মদুনা মরম ওইরগা পুলিসনা যুনিভর্সিটিগী গেট মমাংদা প্রোটেষ্ট তৌরিবা ময়াম অদুবু তানখায়ননবা টিয়র গ্যাস সেলশিং কাপখি অমসুং টিয়র গ্যাস গ্রেনেদশিং লংশিনখি। থৌদোক অদুদা মহৈরোয় অমদি ষ্টাফ খরা অশোক-অপন নংখি। অদুমকপু ৱাকৎ খোঙচৎ চৎলিবা কাঙবু অদুদদি পুলিসনা করিগুম্বা মখলগী অথিংবা অমত্তা পীখিদে।

অমরোমদা, মণিপুর যুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেলর প্রোফেসর এ পি পান্দে লৌথোক্লবা দিমান্দদা মণিপুর যুনিভর্সিটি যুনিয়ন (মুসু), মণিপুর যুনিভর্সিটি টিচরস এসোসিএসন (মুটা) অমদি মণিপুর যুনিভর্সিটি ষ্টাফ এসোসিএসন (মুসা) খোঙজং চখ-রকপা ঙসিগা থানা নুমিৎ ৭০ নি শুরে। মরকসিদা মীওই খরনা ইনশিন্দুনা এম যুগী ইশু অসিবু নাথৈহন্নবা হোৎনরিবা অসি য়াবা ঙম্লোই হায়না মুসুগী জেনরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম কেনেদিনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, এম যুগী ভাইস চান্সেলর এ পি পান্দেনা অরানবা কয়া তৌরে হায়না খঙবদগী মহৈরোয়শিংনা ইরাং অসি হৌরকপনি। ভি সী পান্দেগী মথক্তা ইনক্বাইরি কমিটি অমা শেমদুনা থিজিনবা অদু মুসু, মুটা অমদি মুসা য়াবা ঙম্লোই। মীওই খরবু শেল পীদুনা এম যু কন্নবগী মিংদা ঈহৌ শাগৎলিবনি হায়দুনা চমজরবা লাইরিক-লাইশু হৈজদ্রবা ইমা-ইবেলশিং অমদি অহল-লমনশিংদা প্লে কার্দ পায়হন্দুনা রেলি চৎহন্দুনা ইশু অসি নাথৈনবা হোৎনবা অসি য়ানিংদে। মহৈরোয়-শিংনা খোঙজং চঙশিনবা অমদি রেলি চৎনবা হোৎনবদা পুলিসনা থিংলগা অমদি টিয়র গ্যাস কাপ্তুনা মীওই ৮ লোম অশোক-অপন নংহনখিবা অদু য়ানিংদে। অদুগা অথিংবা লৈরিবা সী আর পি সী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা মখাদা থল্লিবা মফমদা ইমা-ইবেলশিং অমদি অহল-লমনশিংনা রেলি চৎপা য়াহনবা মুসু, মুটা অমদি মুসানা রেলি হঙ্গর ষ্ট্রাইক থিংজিনবা অমদি ৱাকৎ খোঙচৎ চৎপনা থিংজিল্লিবা অসি য়ানিংদে।

অমরোমদা, মুটাগী মায়কৈদগী এন সনাজাওবনা ফোঙদোরকপদা এম যুগী ইশু অসিবু নাথৈহন্নবা হান্না থৌরাং তৌবা মানবা লাইরিক-লাইশু হৈজদবা ইমা-ইবেলশিং প্লে কার্দ পায়হল্লগা রেলি চৎহল্লিবা লৈঙাক্কী থৌওং অসি য়ানিংদে। এম যুগী কম্যুনিটিশিংনা রেলি চৎনবা হোৎনবদা অথিংবা থল্লগা চৎহনখিদবা অমদি মীরক্তা মোব বোম কাপশিন্দুনা থাগাইখিবা অদু য়ানিংদে। শেঞ্জা-থুমজনা হারবা এ পি পান্দে লৌথো-ক্লবা যুনিভর্সিটিগী মুসু, মুটা অমদি মুসানা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি অরানবা ওইনা উবিরগদি খোঙজং অসি হন্দোক্কে। যুনিভর্সিটিগী তুংগী ফিরেপতি ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৭৫.২০

দীজল : লিটরদা লুপা ৬৬.৬০

### মিরাবাই চনু এসিয়ন গেমসতা য়াওরোইদৌরি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৬ : ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন মিরাবাই চনু এসিয়ন গেমসতা শরুক য়াদবগী ফিভমদা লৈরে। চহী অসিগী লোইশিল্লকপদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক ক্বালিফায়রদা শরুক য়াবা ঙম্নবগীদমক মিরাবাই চনুবু জকার্টাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমসতা শরুক য়াহন্দনবা ইন্দিয়াগী চীফ কোচ বিজয় শর্ম্মানা রেকমেন্দ তৌরে হায়রি। কমনৱেল্থ গেমসকী চেম্পি-য়ন অসি খ্বাঙ নাবা মরম্না মে থাদগী ট্রেনিং তৌদনা লৈরকখিবনি। বিজয় শর্ম্মানা এজেন্সিদা হায়খি, ইন্দিয়ন ৱেটলিফটিং ফেদরেসন্দা রিপোর্ট পীশিনখ্রবনিনা অথুবা মতমদা ৱারেপ অমা শোয়দনা লৌরক্লগনি। অরুম্বা থাঙ্গৎপদা খুদোংচারোইদবা লৈবনা মিরাবাইবু মতম খরা পোত্থাহনবা মথৌ তাই। এসিয়ন গেমসতগী হেন্না মরু ওইবা ওলিম্পিক ক্বালিফায়রতা ওইনা শরুক য়াহনবনা মরু ওই। মমাঙ চয়োলদা মিরাবাইগী অনাবা খরা ফরে ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

### HL POLL

Q : MU hanghallu haiba demanda chatkhiba wakat khongchatna MU hanghanba ngamgani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes [ ] No [ ]

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Manipur dasu national register of citizens (NRC) chatnahannaba taksinba chummi khanbra?

| Yes | 87% | No | 13% |
|---|---|---|---|

### অস! লোইরেহে!

এম যু লোইরে, চহী মাঙলনি...!



মরুমদা পান্দে কনবা পার্টি লৈরে হায়বদু নাখৈ শেংলেদনা...!

### কুকি তাবা মফম পুম্বদা হয়েং পুং ২৪গী জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৬ (ঐচ এন এস): কুমজা ১৯৯২ দগী ১৯৯৭ ফাওবা নেসনল সোসলিষ্ট কাওন্সিল ওফ নাগালিম-আইজাক মুইভা (এন এন সী এন-আই এম)না কুকি মীয়াম হাৎখিবগী মতাংদা লৈঙাক্লা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলক্তবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা ওগষ্ট ৮ গী অয়ুক পুং ৬ তগী হৌরগা ওগষ্ট ৯ গী অয়ুক পুং ৬ ফাওবা ষ্টেট অসিগী কুকি তাবা মফম পুম্নমক্তা পুং ২৪ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখ্রে।

কুকি ইনপি মণিপুর (কে আই এম)গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি সোখোলুন মাটেনা থোকখিবা চেরোল অমনা হায়, জুলাই ৩০ দা কে আই এম অমসুং ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসনশিংগী মীফম অমা ফল্লবা মতুংদা পুং ২৪ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

দেমোক্রেসিদা চেৎনা থাজবা থম্বা লূপ অমা ওইবা মরম্না হীরম অসিগী মতাংদা মথং-মথং পাল্লকখিবা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টতা মেমোরেন্দম কয়া পীশিনবা লৈখ্রে অদুবু থোইনা কান্নবা ফংখিদে। ওন্ন-তৈনবা মওংদা গভর্ন-মেন্টনা কুকি মীয়াম হাৎখিবা কাঙবুগী পুক্লিং পেলহন্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখি। মদুনা মরম ওইরগা কুকি মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবা ঙমদ্রি।

কে আই এমনা মীওই ফুরুপ অমত্তগী মায়োক্তা লৈতে হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, অথুবা মতমদা কুকি মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি। অৱাবা তাখ্রবা কুকি মীয়ামদা মতিক চাবা কম্পেন্সেসন পীগদবনি। কুকি তাবা মফম পুম্নমক্তা জেনরেল ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শাবা লোইরে। অনা-লায়েংগা মরী লৈনবা হীরম খক্তদা কোম-থোক্কনি। জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা মরী লৈনবা পুম্নমক্না অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংবিয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।







ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫